## ক্লাসরুমদা মহৈরোয় নুপীমচা অমা লৈখিদ্রে

ইন্দোর, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী) : মধ্য প্রদেশকী ইন্দোরদা লৈবা স্কুল অমদা কা হেন্না ইংবনা মরম ওইরগা মশাগী চহী ১৬ রোম শুরবী নুপীমচা অমা হার্ট এটেক তৌরকপদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবী নুপীমচা অদুগী মমিং রিনদা ত্রিপাথি কৌই। মহাক ক্লাস ১১ তম্লিবী মহৈরোয়নি। থৌদোক অসি হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থোকখিবনি। রিপব্লিক থৌরমদা শরুক য়ানবগীদমক চত্থখিবা রিহার্সেল অমদা মহাকসু য়াওখিবনি। রিহার্সেল চত্থরিঙৈদা নুপীমচা অদু খঙহৌদনা ৱাম্থরকখিবনি। খুদক্তা স্কুল ওথোরিটিনা রিন্দাবু হোস্পিটালদা পুখৎতুনা ট্রিটমেন্ট চত্থনবা হোৎনখি। হোস্পিটাল অদুদা সী পি আর তৌদুনা নুপীমচা অদুবু ৱাখল তানবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক হোস্পিটালদা য়ৌরক্ত্রিঙৈদা নুপীমচা অদু শিখিবনি হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। লৈখিদ্রবী রিন্দা মমাঙ মতমদা অসিগুম্বা থৌদোক অমত্তা থোকখিবা লৈতে। অদুম ওইনমক কা হেন্না ইংবনা মরম ওইরগা থৌদোক অদু থোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

## ভারত জোরো যাত্রাদা জম্মু অমসুং কাস্মিরগী পোলিটিক্স খন্নরোয় ঃ জয়রাম রামেশ



খানাবাল, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী) : কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎনা কাস্মির য়ৌশিনখিবা মতমদা সিক্যুরিটিগী ওইবা অশোয়বা কয়া লৈখি হায়না কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি জয়রাম রামেশনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা খোঙচৎ অসিদা জম্মু অমসুং কাস্মির পোলিটিক্সকী মতাংদা ৱাফম অমত্তা খন্নরোয় হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা জয়রাম রামেশনা ফোঙদোকখিবদা জম্মু অমসুং কাস্মিরদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল ইসু কয়া লৈরি। অদুবু হায়রিবশিং অদু ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ মনুংদা খন্নরোয় মরমদি খোঙচৎ অসিগী মরুওইবা পান্দমদি মোদি গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন অমসুং দেমোক্রেসিগী মশক মাঙহন্নবা হোৎনরিবা অদু মীয়ামদা খঙহনবগা লোয়নননা কন্নবা হোৎনবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী ওগষ্ট ১৫ দা জম্মু অমসুং কাস্মিরদগী মোদি লৈঙাক্না আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখি। মদুগী মায়োক্তা জে এন্দ কেগী মীয়াম্না য়ানিংদবা কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রে। নেসনল কনফরেন্স অমদি পিপিলস দেমোক্রেটিক পার্টি য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি ৬ না পুনশিন্দুনা জম্মু অমসুং কাস্মিরদা আর্টিকল ৩৭০ অমুক লৈহন্নবা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। জম্মু অমসুং কাস্মিরগী মীয়াম্না ভারত জোরো যাত্রাবু লুচিংলিবা কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্টে রাহুল গান্ধীদা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবা নত্রগা গুপকার এলায়ন্সকী মতাংদা ৱাহং কয়া হঙনিংলমগনি। অদুবু খোঙচৎ অসিদা মসিগী খুদোংচাবা লৈরোই। মীয়াম্না মসিগীদমক ৱারৌবা তৌবীগনু হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেসনা পৱার পায়বা ঙম্লবদি জে এন্দ কেগী মীয়াম্না পাম্লিবশিং শোয়দনমক্কী থবক্তা ওন্থোক্কনি। জে এন্দ কেদা আর্টিকল ৩৭০ অমুক রেষ্টোর তৌবা হায়বসি কোংগ্রেসকীসু অপাম্বনি। জে এন্দ কেনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওনখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবদা সেন্টরনা ইলেক্সন তৌনবা মতম লেপ্তুনা লৈরি। মসি বি জে পিগী তোঙানবা লাল্লোং অমনি। মরম অদুনা মশাগীদা খনবা পার্টি অসিবু ঐখোয়না মায়থিবা পীবগী মতম ওইরে হায়রি।

## সিক্কিম অমসুং অরুনাচল ঙমখৈগী শরুক্তা উংখৎনবগী থৌওং লৈত্রে ঃ আর পি কলিতা



কোলকাটা, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী) : ইন্দিয়া অমসুং চাইনা লৈবাক অনীগী তায়নবা শরুক্তা লৈরিবা সিক্কিম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা ঙমখৈগী শরুক্তা মরী লৈননা উংখৎনবা কয়া লৈরম্বা অদু হৌজিক্কী ওইনদি লৈত্রে হায়না জেনরেল ওফিসল কম্মান্দিং-ইন-চীফ ইষ্টর্ন কম্মান্দ আর পি কলিতানা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

ঙমখৈদা ওইরিবা ফীভমশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংলদুনা আর্মি লুচিংবা আর পি কলিতানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরম্বা টেন্সন কয়া হৌজিক লৈত্রে। অদুবু ঙমখৈগী শরুকশিংগা মরী লৈননা মখা তানা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক থোক্লকদরা নত্রগা থোক্লোইদরা হায়বদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা হায়বা ঙমদ্রি। ইষ্টর্ন কম্মান্দনা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং সিক্কিম সেক্টরদা লৈরিবা লাইন ওফ একচুএল কন্ট্রোল পরিংদা য়াম্না চেকশিন্না ঙাক শেনবগী থবকশিং চত্থরি। ঙমখৈগী শরুকশিংদা লৈবাক অসিনা অহেনবা মিৎয়েং থমদুনা থবক তৌবগা লোয়নননা শিংনরকপা খুদিংমক মায়োক য়ানবা শেম শাদুনা লৈ। ইষ্টর্ন বোর্দরশিংদা টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি ঙাকপা হায়বসি ইষ্টর্ন আর্মিগী মথৌনি। অমদি ঐখোয়গী আর্মিশিংনা কত্থোকপগা লোয়নননা ঙমখৈগী শরুকশিং ঙাক শেন্দুনা লৈরি। মখা তানবসু লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী শরুকশিংদা ইন্দিয়ন আর্মিশিংনা মীকুপ নাহুম শিংনা ঙাক শেনগনি অমদি ইন্দিয়াগী ওইবা লম মচেৎ অমফাওবা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংনা অরানবা মওংদা লৌশিনবা য়ারোই হায়রি।

পনবা য়াবদি, য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা পার্লিয়ামেন্টদা ফোঙদোকখিবদা চাইনাগী পিপলস লিভরেসন আর্মিনা অরুনাচল প্রদেশকী তৱাং সেক্টরদা লৈরিবা লাইন ওফ একচুএল কন্ট্রোল পরিং লানশিন্নবা হোৎনরি। অদুবু লৈবাক অসিগী থৌনা ফরবা লান্মীশিংনা মতম চানা চাইনিজ পি এল এবু থিংদুনা থম্বা ঙমখিবগা লোয়নননা অমুক হন্না লৈবাক অসিগী ঙমখৈ শরুক্তগী তকথোকখিবনি। মরম অদুনা ঐখোয়গী লান্মীশিংবু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা পুক্নিং থৌগৎফম থোকই হায়রি।

## 'বি জে পিনা নমফুদা এম সী দি পায়শিন্নবা হোৎনরি'





ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী) : ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দেল্লি (এম সী দি) চল্লাইনবগীদমক দেল্লিগী মীয়াম্না এ এ পিদা অয়াবা পীরকখ্রবসু বি জে পিনা অনকন্সটিট্যুসনেল ওইবা মওংদা এম সী দিবু পায়শিন্নবা হোৎনরি হায়না এ এ পি লুচিংবা সৌরব ভরদ্বাজনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

এ এ পি লুচিংবা অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দেল্লিগী মেয়র খনবগী মতম লেপ্পবা সুপ্রিম কোর্টতা হায়জখ্রে। মেয়র অমসুং দিপ্যুটি মেয়র খনবগী মীখলদা এ এ পিনা মায় পাক্কনি হায়বসি খঙনবরা ৱাফম অমনি। মসিনা মরম ওইরগা বি জে পিনা মেয়র খনবগী মীখল পাঙথোকপা পামদ্রি। ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দেল্লিদা মতম শাংনা পৱার পায়দুনা লাকখিবা বি জে পিগী মতম মমাঙ চহীদা লোয়খ্রে। মদুগী মতুং বি জে পিনা তোঙান তোঙানবা পান্থৈ কয়া পুথোক্তুনা সিভিক বোদি অসিবু কন্ট্রোল তৌদুনা থম্নবা হোৎনরি। অদুবু এ এ পিনা সুপ্রিম কোর্টতা হায়জখিবা অদুগী মতুংইন্না মথং থাগী ৩ দা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা হিয়ারিং চত্থরগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈরে। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দেল্লিগী অনৌবা মেয়র খনবগী মীখল পাঙথোক্লবা হোৎনখিবা অদুদা বি জে পিনা অয়েৎপা পীরকপদগী এম সী দিগী হাউস লেফটনেন্ট গভর্ণরনা মতম কক্তনা এদজোর্ন তৌখিবনি। থা অসিগী ৬ তা মেয়র খনবগী মীখল পাঙথোক্লবা ফমখিবা মীফম অমদসু বি জে পিনা চাওনা অয়েৎপা পীবদগী অকক্লবা মতম লেপ্পা ঙমখিদবনি। বি জে পিনা মতম পুম্বদা পৱার পায়নিংবনা মরম ওইরগা এম সী দিগী থবক থৌরম কয়াদা অশোয়বা লাকখিবনি হায়রি। পনবা য়াবদি, মমাঙ চহীগী অরোয়বা থাদা পাঙথোকখিবা এম সী দিগী মীখলদা এ এ পিনা সিট ১৩৪ দা মায় পাকখি, অদুগা বি জে পিনা সিট ১০৪ দা মায় পাকখি হায়রি।

## 'ৱাখল্লোন মান্নবা পার্টিশিংগা চৎমিন্ননবা শেম শাদুনা লৈ'



পাটনা, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী) : মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিবু মায়থিবা পীনবগীদমক ৱাখল্লোন মান্নবা পার্টিশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা শেম শাদুনা লৈ হায়না বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

জে দি (য়ু) গী লুচিংবসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা ফোঙদোকখিবদা জম্মু অমসুং কাস্মিরদা হৌজিক চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ লোয়রবা মতুং মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী মতাংদা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীগা উন্নদুনা ৱারী শানবা পান্দম থল্লি। বি জে পিনা সেন্টরদা পৱার পায়রকখ্রবা মতুং লৈবাক অসিগী ইকোনোমিগী ফীভম কা হেন্না শোকচিনখিবগা লোয়নননা কন্সটিট্যুসনগী ৱাংমদা বি জে পি লুচিংবা কয়ানা থবক তৌরক্লি। মসিদগী থিংনবা অমত্তা ঙাইরবা পান্থৈদি ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিং পুনশিন্দুনা বি জে পিবু মায়থিবা পীবনি। বিহারদা বি জে পি অমদি জে দি (য়ু) গী ওইবা অপুনবা লৈঙাক অমা লৈরমখিবা মতম অদুদা বি জে পিনা মখোয়গী অনিংবা অপাম্বা মওংদা থবক তৌনবা হোৎনরকপদগী জে দি (য়ু) না বি জে পিগা লৈনরম্বা মরী অদু থদৎতুনা আর জে দি অমদি কোংগ্রেসকা পুন্দুনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখিবনি। বি জে পিনা বিহারদা মখোয় খক্তগী ওইবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা মতম কয়াগী মমাঙদগী হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু মখোয়না হোৎনরিবশিং অদু কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙম্লোই হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ওপোজিসনদা লৈরিবা মরুওইবা পার্টিশিংনা লন্নায়গী ওইবা ৱাখল্লোনশিং মতম খরগী ওইনা থাদোকপগী মতম য়ৌরক্লে। মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পি মায়থিবা পীহৌদ্রবদি অমুক হন্না মায়থিবা পীনবা হোৎনবদা কা হেন্না খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরক্কনি হায়রি।

## 'আর্টিকল ৩৭০ অমসুং ষ্টেটহুদ হঙ্ঙিন্নবা হোৎনগনি'





রম্বান, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী) : জম্মু অমসুং কাস্মিরদা মতম শাংনা মীখল পাঙথোক্তনা লাক্লিবা অদুবু নেসনল কনফরেন্সকী লুচিংবা ওমর অব্দুল্লাহনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা নেসনল কনফরেন্সকী মরুওইবা পান্দমদি জে এন্দ কেবু ষ্টেটহুদ অমুক হন্না ফংহনবা অমদি আর্টিকল ৩৭০ রিষ্টোর তৌবনি হায়রি।

কাস্মিরদা ঙসি চৎখিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা শরুক য়ারদুনা ওমর অব্দুল্লাহনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা মখা তানা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা সেন্টরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং জম্মু অমসুং কাস্মিরগী মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লি। হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী ওগষ্ট ৫ দা সেন্টরনা জম্মু অমসুং কাস্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী থোক্না খায়দোকখিবনি। সেন্টরনা জে এন্দ কেদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবনা মরম ওইরগা কাস্মিরদা লৈরিবা মীওই কয়া অৱাফমদা তারি। অদুবু কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎনা নিংবা কায়হল্লুরবা জে এন্দ কেগী মীওইশিংদা অনৌবা থৌনা কয়া পীবা ঙম্লে হায়নসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## বি বি সীগী ফিল্ম স্ক্রিনিং তৌদনবা মহৈরোয়শিংদা খঙহনখ্রে

মুম্বাই, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মতাংদা বি বি সীনা পুথোকখিবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম টাটা ইন্সটিট্যুট ওফ সোসল সাইন্সতা স্ক্রিনিং তৌদনবা ইন্সটিট্যুট অসিগী মহৈরোয়শিংদা মরী লৈনবশিংনা খঙহনখ্রে হায়রি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটি মহৈরোয়শিংনা বি বি সীগী দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অসি স্ক্রিনিং তৌনবা হোৎনরকপদগী পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউ ফংলবা মতুং ইন্সটিট্যুট অসিদা ফিল্ম স্ক্রিনিং তৌদনবা মহৈরোয়শিংদা খঙহনখিবনি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা য়ুনিভর্সিটি খরদসু বি বি সী দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অসি স্ক্রিনিং তৌনবা হোৎনরি হায়বগী ৱাফম কয়াসু লৈরি। মরম অদুনা ইন্সটিট্যুট অসিগী কেম্পসতা মরম চাদনা মহৈরোয় য়াম্না পুনবা অমদি স্ক্রিনিংগী থবক চত্থবা য়ারোই। মসিনা কেম্পসকী ইং-তপ্পা অমদি একাদেমিক ইনভাইরমেন্টদা চাওনা অকায়বা পীরক্কনি হায়রি।

অমরোমদা, ইন্সটিট্যুসন অসিগী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী লুচিংবা প্রাতিক পরমেনা ফোঙদোকখিবদা ইন্সটিট্যুট অসিদা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অসি স্ক্রিনিং তৌনবা প্লান লৈতে। প্রোগ্রেসিভ ষ্টুদেন্টস ফোরমনা ফিল্ম অসি স্ক্রিনিং তৌনবা হোৎনরি হায়বগী পাউ ফংলে অদুবু হায়রিবা অসিদা টি আই এস এস ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগা মরী লৈনদে হায়রি।

## সেন্টরনা ফন্দ কয়া ককথৎখ্রে ঃ বিহার মিনিষ্টর



পাটনা, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী) : বিহারদা হান্না এদ্যুকেসন সেক্টরদা সেন্টরগী ওইবা ফন্দিং কয়া মপুং ফানা ফংলমখিবা অদু ষ্টেট অসিদা বি জে পিনা ওপোজিসনদা লৈখ্রবা মতুং এদ্যুকেসন সেক্টরদা পীফম থোকপা ফন্দগী চাং হান্নগা য়েংনরুবদা য়াম্না হন্থরকখ্রে হায়না বিহারগী ফাইনান্স মিনিষ্টর বিজয় কুমার চৌধুরিনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা সেন্টরনা বিহারগী ফংফম থোকপা ফন্দশিং ককথৎপগী থৌওং অসি মখা তানা তৌরোয়দবনি হায়রি।

সেন্টরনা হান্না এদ্যুকেসন সেক্টরদা শেনফম কয়া চাং নাইনা পীরমখি। ষ্টেট অসিগী লৈরিবা এদ্যুকেসন সেক্টরশিংদা শীজিন্নরিবা শেনফমশিংগী চাদা ৯০ দি সেন্টরনা পুথোক্লম্বনি। মদুগী মতুং চাদা ৭৫ দা হন্থরকখি। অদুগা হৌজিক্লা চাদা ৬০ দা হন্থরকখিবনি। মসিগী মথক্তা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মমিং ওন্থোকপগী থবক্তা হেন্না পুক্নিং চঙলি। হান্না সর্ভ সিক্সা অভিয়ান হায়না লৈরম্বা অদু সমগ্রা সিক্সা অভিয়ান হায়না মমিং ওন্থোকখ্রে। এদ্যুকেসন সেক্টর খক্তা নত্তনা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী ওইনা সেন্টরনা পীরম্বা স্কিমশিং অয়াম্বা হন্থরক্লে। অদুবু বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেটশিংদদি অসিগুম্বা মখলগী থৌওংশিং অসি থোক্তে হায়রি।

## জেলদগী বেলদা থাদোকখ্রে

লক্ষিমপুর খেরি, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী) : হৌখিবা কুমজা ২০২১ দা লক্ষিমপুর খেরিদা থোকখিবা ভাইওলেন্সকী থৌদোক অমদা মীওই ৮ হাৎপদা চেন্নৈ হায়বগীদমক জেলদা লৈরকখিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অজয় কুমার মিশ্রাগী মচানুপা অসিশ মিশ্রা ঙসি বেলদা জেলদগী থোরকখ্রে। সুপ্রিম কোর্টনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা অসিশ মিশ্রাবু চয়োল ৮ গী ওইনা ইন্টরিম বেল পীবদা অয়াবা পীখিবনি। অদুম ওইনমক বেল মনুংদা মহাক উট্টর প্রদেশ নত্রগা দেল্লি মনাক নক্না লৈবা য়ারোই হায়রি।

## কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১৩২ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১৩২ থেংনখিবগা লোয়নননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমা শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১৩২ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৮২,৩৩৪ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ১৯০৬ দা হেনগৎলকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই ১ শিহনখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৭৩৮ লেংদনা লৈরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়নননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি।

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

**Ref :- 9/SDO/LIL/Cert/2015 (pt)/39** **Dated, the 13th Jan. 2023**

Mrs. Fasinajan Bibi W/o (L) Tahir Ali of Khekman Amakcham Awang Leikai.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Lilong the 25th Jan. 2023

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Mrs. Fhasinajan Bibi W/o (L) Tahir Ali of Khekman Amakcham Awang Leikai, P.O. & P.S. - Lilong, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
HL-P/5903/28 Lilong

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

**Ref :- 9/SDO/LIL/Cert/2015 (pt)/49** **Dated, the 16th Jan. 2023**

Mrs. Sureiya W/o (L) Md. Hafijuddin of Lilong Haoreibi Turel Ahanbi.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Lilong the 17th Jan. 2023

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Mrs. Sureiya W/o (L) Md. Hafijuddin of Lilong Haoreibi Turel Ahanbi, P.O. & P.S. - Lilong, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
HL-P/5903/28 Lilong

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 37/SDC/IW-L/2023**

1. Potsangbam Memcha Devi, W/o. (L) Sinam Chandramani Singh of Ngariyambam Kwashiphai. - Petitioner

-VS-

Late Sinam Chandramani Singh, S/o. (L) Tompishak of Ngariyambam. - OP/Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
27/01/2023

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার সিনাম চন্দ্রামনি সিংহ পীতা মৃত তোমপিশক ঙারিয়াম্বম সাং ঙারিয়াম্বমগী মীংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৫০-ঙারিয়াম্বমগী অনৌবা পাট্টা নং ৮৫ দাগ নং ৪৭/১৮৩ গী এরিয়া ০.৫১৯৯০ একর চাওবা ইংখোলগী লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি/দংকারিশিং অসিনা মাগী/মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
HL-P/5697/28 IW-Lamsang

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; OINAM

**Ref :- Mutation Case No. mt 09/SDC/Oinam of 2023**

Sanasam Nilachandra Singh S/o (L) S. Ibothe Singh of Irengbam Mamang Makha Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Sanasam Ibothe Singh S/o (L) Angahal Singh of Irengbam. -OP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dated: 27-01-2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 29-Irengbam Patta No. 29/141 (O), 29/582 (N) Dag No. 1403 Area 1.50 Class Anganphou অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Pattadar অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
HL-P/5821/28 Oinam

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR KUMBI, MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 96/SDC/Kumbi/2023**

Khuraijam Sobha Meitei S/o (L) Khuraijam Daoji Meetei of Ithai Khunou. -Petitioner

-Vs-

(L) Khuraijam Goshai Singh S/o Kh. Toyaima of Singjamei Makha Okram Leikai. -OP/Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Kumbi 27/01/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 64-Kumbi দা লৈবা পাট্টা নং... (অরিবা) অমসুং 489 (অনৌবা) সী এস দাগ নং 6079 এরিয়া 1.02 একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: পাট্টাদার ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং মনুংনা মীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
HL-P/5817/28 Kumbi

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU

**Ref :- Mutation Case No. 21/SDC/Sugnu of 2023**
**Date: 27/01/2023**

App :- Huten Alexander S/o Ht. Ngamval of Lambung Village.

-Vs-

Opp :- (L) Nongkhoyang S/o (L) Ngamshei of Gangpiyang.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dated : 27/01/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৯০-তোনশেন পাট্টা নং ২৩১ দাগ নং ২১০৩ এরিয়া ২.০৮ একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
HL-P/5820/28 Sugnu